**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 13-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) এয়ারক্রাফট এক্সিদেন্ট ইনভেষ্টিগেসন ব্যুরোনা অহমেদবাদা থোকখিবা প্লেন কায়বগী থৌদোক অদু থিজিনবা হৌখ্রে।

২) কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ হায়রি- লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু মশক খঙদোকবা দি.এন.এ টেষ্ট তৌবগী থবক চথ্থবা হৌরে, অথুবা মতমদা লোইশিল্লগনি

অমসুং

৩) লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়রি- এদমিনিষ্ট্রেতিভ ওফিসারশিংনা মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্দুনা লৈবাক অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎকদৌরিবনি।

------

প্লেন ক্রাস ঃ এয়ারক্রাফট এক্সিদেন্ট ইনভেষ্টিগেসন ব্যুরোনা অহমেদবাদা থোকখিবা প্লেন কায়বগী থৌদোক অদু থিজিনবা হৌখ্রে। সিভিল এভিএসন মন্ত্রি রাম মোহন নাইদুনা হায়রি- থিজিনবা অসি সিভিল এভিএসন ওর্গনাইজেসনগী ইন্তরনেসনেল প্রোতোকোল মখাদা চথ্থগনি।

সরকারনা হায়রি- হিরম অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অমা শেম শাবা লোইরে।

গুজরাতকী অহামেদবাদ এয়ারপোর্ট মনাক্তা লন্দন ফাওবা পাইগদবা মীওই ২৪২ তোংবা এয়ার ইন্দিয়াগী প্লেন অদু এয়ারপোর্টতকী পাইখৎখিবগা ইকুই

কুইদনা কায়রে হায়বগী পাউ ফংখি হায়রি। ফ্লাইট অদু কেপ্তেন সুমিত সাগরৱালনা লুচিংখি অমসুং মহাক পুং লিশিং ৮,২০০ গী ফ্লাইট এক্সপরিয়েন্স লৈরবা পাইলোতনি।

ফ্লাইট অদুদা পাইলোত অনি, কেবিন ক্রু ১০, বৃটিশ মচা ৫৩, কানাদিয়ান ১, পোর্টুগিস ৭ অমসুং ভারত মচা ১৬৯ পুন্না মীওই ২৪২ তোংখিবনি। লাইবক থিবা থৌদোক অসিদা মীওই ২৪১ লৈখিদ্রে । অদুগা বিশ্বাস কুমার রামেশ কৌবা পেসেঞ্জর অমখকতি হিংহৌরে। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা গুজরাতগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি লুচিংবা বিয়জ রুপানি য়াওরি।

থৌদোক অদুদা মণিপুরদগী ক্রু মেম্বর অনি থৌবাল অৱাং লৈকাইদগী কোংব্রাইলাৎপম ঙান্থোই শর্ম্মা কৌই, মশাগী চহি ২২ অমসুং কাংপোকপী ৱার্দ নম্বর ৮ ঙমবোম ভেংদগী লামনুনথেম সিংসন য়াওরি।

মরক অসিদা, টাটা গ্রুপকী চেয়ারমেন এন. চন্দ্রসেখরনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা কোতি অমমম পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা, প্লেন কায়বগী থৌদোক অদুদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, মন্ত্রিশিং অমদি মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবরতা, এম.এল.এশিং- থোঙাম বিশ্বজিৎ, গোবিনদাস কোন্থৌজম অমসুং হান্নগী কেন্দ্রগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন্নসু থৌদোক অদুদা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

সাহ ঃকেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ এয়ার ইন্দিয়া ফ্লাইট এ-১৭১ কায়খিবগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উন্নবদা হায়- থৌদোক অসি য়ামা লাইবক থিবা থৌদোক অমনি। থৌদোক অসিদা য়াল্লবা পেসেঞ্জরশিংগী পুন্সি মাংখিবা অসি থম্মো শোকা নুংঙাইতে। শ্রী সাহনা হায়- লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু মশক খঙদোকবা দি.এন.এ টেষ্ট তৌবগী থবক অথুবা মতমদা লোইশিল্লগনি অমসুং মশক খঙদোক্লবা মতুং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রগনি। লৈখিদ্রবশিংগী

থৱায়না ইংনা চিকা লাইরন্নেনদা লৈরুনবা লৈবাক অসিগী মীয়ামা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা মাউন্ট এভরেষ্টতা চৎলুবা নেসনেল কেদেট কোর্পস (এন.সি.সি)গী কেদেটশিং ঙরাং নিউ দিল্লিদা তরামা ওকখ্রে। এন.সি.সি কেদেটশিং ওকপগী থৌরম অদুদা শ্রী রাজনাথনা হায়-খোঙচৎ অদু কেদেটশিংগী থৌনা চাংয়েং তৌনবনি। মসিদা এন.সি.সিনা মখোয়গী কেদেটশিং শরুক য়াহনবা অসি থাগৎনিঙাইনি। মহাকা হায়- মে ১৮ দা পাঙথোকখিবা মাউন্টেনিয়ারিং এক্সপিদিসন অদুদা শরুক য়ারিবা এন.সি.সিগী নুপাশিং অসি চহি ১৯ গী লেং ঙাক্তনি। খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিংগী থৌনা ফবা অমদি তৌবা ঙম্বা অদু ময়েক শেংনা উৎথোক্লে।

বিরলা ঃ লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়রি- এদমিনিষ্ট্রেতিভ ওফিসারশিংনা মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্দুনা লৈবাক অসিবু অৰাংবা থাক্তা পুখৎকদৌরিবনি। মরম অদুনা ওফিসারশিংনা মীয়ামগী সমস্যশিং ৱারোইশিন পুরকবা পান্দম থমগদবনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী শোত্থরবা মীয়ামদা সরকারগী য়াইফ থৌরাংশিং য়ৌহনবদসু ওফিসারশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

কোবিদ ঃ লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোবিদ নাইন্তিনগী এক্তিভ কেস লিশিং ৭.১২১ য়ৌরে। মীওই ৬ লৈখিদ্রে।

মনিপুরগী হৌজিক ফাওবদা কোবিদ নাইন্তিগী এক্তিব কেস অনি শুরে।

কোষ্ট গার্দ ঃ ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দনা শিন্দুনা ১৩৭ শুবা ওপ সোর সেক্যুরিতি কোওর্দিনেসন কমিতিগী মীফম অমা ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা ওফ সোরদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবগী ৱাফম খন্নখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা ইন্দিয়ান নেভি, ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স, গৃহ মন্ত্রালয় য়াওনা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

শিবরাজ ঃ কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়রি- ভিক্সিত কৃষি সংকল্প অভিয়ান্না ভারতপু লৌউ শিংউগী লমদা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংলি। ব্রাফম অসি মন্ত্রিনা গুজরাতকী বারদোলিদা পাঙথোকপা লৌমীশিংগী ওইবা মীফম অমদা ফোংদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা শ্রী চৌহান্না হায়- ভিক্সিত কৃষি সংকল্প অভিয়ান্না সাইন্তিফিক রিছার্স শিজিন্নদুনা লৌউ শিংউগী লমদম হেন্না খুমাং য়াংশিনহনবগা লোয়ননা শেন্থোক লম্বী লৈবা ঙমহল্লে। মহাকা গুজরাতনা লৌউ শিংউগী লমদা মায় পাকা চংশিল্লকপবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

মমাং থাগী ২৯ দগী চথ্খরকপা অভিয়ান অসিগী লোইশিনবা নুমিৎকা মরা লৈননা পাঙথোকপা মীফম অদুদা গুজরাতকী মুখ্য মন্ত্রি ভুপেন্দ্র পাতেলসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শ্রী চৌহান্না সেন্তর ফোর এক্সিলেন্স কয়া ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শঙ্গাখি।

হোকিঃ এফ.আই.ঐচ. হোকি প্রো-লিগকী ঙরাং নুমিদাং নেদরলেন্সকী ৱেগনর হোকি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা আর্জেন্টিনানা ভারতপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

অহমেদবাদতগী লন্দন তমা পাইগদবা প্লেন কায়বদা মণিপুরী অনি য়াওনা মীওই ২৪১ লৈখিদবগী পাউনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সনালৈবাক্তা অহমেদবাদতগী লন্দন তমা পাইগদবা প্লেন কায়বদা মণিপুরী অনি য়াওনা মীওই ২৪১ লৈখিদ্রে, লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং লুপা ক্রোর অমমম

পীরগনি হায়না টাটা গ্রুপনা লাউথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক, নহারোলগী থৌদাং অমসুং মণিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা প্লেন ক্রাসকী থৌদোক্তা পেসেঞ্জরশিং অদুগী মনুংদা মীওই অমখক হিংনা থেংনরে, অতৈগীদি ওফিসিয়েল রিপোর্ট ফংদ্রি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কোকোমিনা মখা তানা ঈচাউগী মতেং পাংবা হৌখ্রে হায়বা পাউ অমা পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মাও পুলিস চ্যেক পোষ্টতগী পুলিসনা পেসেঞ্জর অমদগী কিলোগ্রাম ২ রোমগী হিরোইন ফাখিবগী পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা রিমস কেম্পসতা চংবদা তঙাইফদনা মাক্স উপনবা ওথোরিতিনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসিমক সনালৈবাক পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী দেমোক্রেতিক ওইবা খোঙজং মাইকৈ কয়াদগী মীয়ামা শৌগৎলক্লি হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা এয়ার ইন্দিয়া অহমেদবাদ প্লেন ক্রাসতা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা মণিপুরদগী কেবিন ক্রু অনি য়াওরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নপিল এক্সপ্রেসতা পি.এম. দাজগুৱা আই.ই.সি কেম্পেনগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিনা শেম শাবা লোইরে হায়বা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------